# অঙ্গৈং-অশা হোংলকপনা ওইহল্লক্লিবা ফিভম কোকহন্নবা হোৎনমিন্নবা মতম ওইরে ঃ পি এম

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী)ঃ**
অর্থ দেগা মরী লৈননা প্রাইম মিনষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে ইনভাইরনমেন্টকী ফিভম কাইয়ন্দনবগী মতাংদা মীপুম খুদিংমক মরু ওইবা থৌদাং লৌমিন্নবা তঙাইফদে। চহী খুদিংগী এপ্রিল ২২দা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈহন্নবা অকোইবগী ঈশিং নুংশিৎ ফিভম ফনা থন্বা মথৌ তাই।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি অর্থ দেলাকপগা ইরোইননা তুংগী মীরোলগীদমক খল্লগা শাফবা মালেম ওইহন্নবা হোৎনরসি। মালেমদা অঙ্গৈং-অশাগী খল কায়রক্লিবা অসিগী মতাংদা মীপুম খুদিংমক্না মরু ওইবা থৌদাং লৌফম থোকই।

অতোপ্পা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হৌজিক হৌজিক মালেমগী অঙ্গৈং-অশা খল কাইহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলিবা মীপুম খুদিংমকপু থাগৎপা ফোঙদোকখি। চহী খুদিংগী অর্থ দেগা মরী লৈননা রেল্লি চৎপা, উ পান্বী থাবা অমসুং লম-তু শেংদোকপনচিংবা থৌরাং কয়া মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লি।

হন্দক চহীগী ওইনদি প্লাষ্টিক পোল্যুসন থিংনবা হোৎনবনা মরু ওইবা পান্দম ওইরি। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না মালেমদা প্লাষ্টিকী পোৎলম শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলকপনা ইনভাইরনমেন্টতা চাওনা অকাইবা থোকহল্লক্লি।

অমুক্তং শীজিন্নরগা হন্দোকখিবা প্লাষ্টিক্কা মালেমদা পীরক্লিবা চৈথেং অসিদগী কোকহন্নবগী ৱাখল্লোলদা যুম্ফম ওইরগা হন্দক চহীগী ওইনা অর্থ দেগী থৌরম পাঙথোক্নরি।

মালেমদা অঙ্গৈং-অশাগী খল কাইহন্দনবগী মতাংদা কুমজা ১৯৭০দগী হৌনা এপ্রিল ২২দা অর্থ দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। হন্দক চহীগী ওইনা মুম্বাইদা লৈরিবা মীওইশিংনা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা সমুদ্র মপালদা প্লাষ্টিক্কা থোকহল্লকপা পোল্যুসন কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

অফ্রোজ সাহ কৌবা উকিল অমনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা সমুদ্র মপাল খুদিংমক লু-নান্না থম্নবগী মতাংদা লৌখৎলকপা থৌরাংদা সিব সেনাগী লুচিংবা অদিত্য থাক্রে অমদি ফিল্ম ষ্টার কয়াসু শরুক য়ারকখি।

অফ্রোস সাহনা বর্সোভা বিচতা লু-নানহনবগী থৌরাং লৌখৎখিবগুম ভোলুন্টিয়র কয়ানা দাদর বিচতা শিৎ-শেংনবগী থৌরম পাঙথোক্লি। নাকল অমরোমদা অফ্রোস সাহনা লুচিংবা ভোলুন্টিয়র কয়ানা মুম্বাইগী বিচ খুদিংমক্তা চৎতুনা প্লাষ্টিক পোল্যুসনগী চৈথেং কোকহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এন দি টি ভিগা উনখিবদা সিব সেনগী লুচিংবা অদিত্য থাক্রেনা হায়খি প্লাষ্টিক্কা সমুদ্র, পাৎ, তুরেল অমদি ঈরম-খোংলমদা থোকহল্লকপা খুদোংচাদবশিং খঙনরক্লবনি মীপুম খুদিংমক প্লাষ্টিক পোল্যুসনগী চৈথেং কোকহন্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌনরক্লে।

ৱর্ল্ড অর্থ দে নেটৱর্কনা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কুমজা ২০২০ ফাওবদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা উ-পান্বী বিল্লিয়ন ৭.৮ থানবা পান্দম থল্লি।



# রাহুল গান্ধিনা অমেথিগী মীরেপ ওইবদা রিটর্নিং ওফিসরনা অয়াবা পীখ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী)ঃ**
অমেথিগী রিটর্নিং ওফিসরনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিবু পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মীরেপ ওইনবগী অয়াবা পীখ্রে।

মশাগী সিটিজনসিপ অমসুং এদুকেস্নেল ক্বালিফিকেসনগী মতাংদা চীংননিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়ামরুম লৈবনা রাহুল গান্ধিবু অমেথিদা মীরেপ ওইহনবা য়ারেই হায়না ভরতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না অয়েৎপা পীরকখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা বি জে পিগী স্পোক্স পার্সন জি ভি এল নর্সিমহ রাওনা হায়খি রাহুল গান্ধি অমসুং মহাক্কী উকিল রাহুল কৌসিকনা নোমিনেসন পেপরদা চিংননিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়ামরুম য়াওহল্লক্লে। এফিদেবিটতা য়াওরিবা ৱারোলশিংগী মতাংদা খুদম চাংদমগা লোয়ননা চপ চাবা ৱাফম ফোঙদোরক্ত্রবদি রাহুল গান্ধিবু অমেথিগী মীরেপ ওইবা য়াহল্লোইদবনি।

অমরোমদা রাহুলগী উকিল কৌসিকনা হায়খি মদুদি কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধি ইন্দিয়াদা পোকখিবা মীওইনি হায়বা মীপুম খুদিংমক্না খঙনরবনি। মহাক হৌজিক ইন্দিয়াগী পাসপোর্ট পায়বগা লোয়ননা অতোপ্পা লৈবাক অমত্তগী সিটিজন ওইবা লৈতে। পাসপোর্ট, ভোটর আইদি অমসুং ইনকম টেক্সকা মরী লৈনবা চে-চাং পুন্নমক ইনি দয়াগীনি।

এদুকেস্নেল ক্বালিফিকেসনগী মতাংদা মহাক্না হায়খি কুমজা ১৯৯৫দা রাহুলনা য়ুনিভর্সিটি ওফ কেমব্রিজদগী এমফিল লোইশিনখি। মসিগী মতাংদা খুদম ওইবা য়াবা চে-চাং পুন্নমক এফিদেবিট ফাইল তৌবদা য়াওখ্রবনি।

মমাঙদা ধ্রুব লাল কৌবা অমেথিগী ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অমনা রাহুল গান্ধিগী এদুকেস্নেল ক্বালিফিকেসন অমসুং সিটিজনসিপকী মতাংদা ৱাহং কয়া হংলকপা লৈখ্রবনি। রাহুলনা মীরেপ চে পীশিনখিবা কেরলাগী ৱায়ানাদ পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদসু এন দি এগী মীরেপ তুসার বেলাপালিনা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা রাহুলগী নোমিনেসন পেপর নৌনা অমুক য়েংশিনবীনবা হায়জখি।

হন্দক্কী মীখল অসিদা রাহুল গান্ধিনা উট্টর প্রদেশকী অমেথি অমসুং কেরলাগী ৱায়ানাদতা মীরেপ চেপীশিনবা লৈখ্রবনি। অমরোমদা কোংগ্রেসনা ঙসি দিল্লিদা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইনা পুথোক্কদবা মীওই ৬কী মমিং লাউথোকখ্রে।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর শৈলা দিকসিতপু নোর্থ ইষ্ট দিল্লি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইহল্লগনি হায়রি। কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মহাক্না বি জে পিগী মনোজ টিৱারি অমসুং আম আদমি পার্টি (এ এ পি)গী মীরেপ দিলিপ পান্দেগা লান্থা পান্নরগনি।

ন্যু দিল্লি লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা কোংগ্রেসকী অজয় মকেননা এ এ পিগী ব্রিজেস গোয়লগা লন্থা পান্নগদৌরি। কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা মমাঙগী মীখলদা মকেননা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা অহুমশুবা তাখিবনি।

মতমদুদা দিকসিততি কেরলাগী গভর্ণর ওইরিবা মরম্না মীখলদা মীরেপ ওইখিদে। দিল্লিগী কন্সটিট্যুয়েন্সি তরেৎমক্তা কোংগ্রেস মায়থীখি। অদুবু হন্দক্কী মীখল অসিদদি কোংগ্রেসনা দিল্লিগী সিট খরা শোইদনা ফংগনি হায়না থাজনরি।



# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী বাওপিক ঃ ইলেক্সন কম্মিসনননা সিল তৌরবা রিপোর্ট সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী)ঃ**
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী বাইওপিক্কা মরী লৈননা সিল তৌরবা রিপোর্ট অমা ইলেক্সন কম্মিসনননা সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরগী পুন্সি ৱারিদা যুম্ফম ওইবা ফিল্ম অসি য়েংদ্রিঙৈদা ইলেক্সন কম্মিসনা রিলিজ তৌহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসনা য়ানিংদবা ৱাফম কয়া এপেক্স কোর্টতা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

নরেন্দ্র মোদিনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপা ফাওবগী ৱারী য়াওবা ফিল্ম অসি ইলেক্সন কম্মিসনগী অয়াবা য়াওদবনা ঙসি ফাওবা রিলিজ তৌবা ঙমদনা লৈরকখি। কম্মিসনননা পীরকপা রিপোর্ট অদু পিটিস্নর ওইরিবা ফিল্ম প্রদ্যুসরশিংদা পাহনবগা লোয়ননা মতিক চাবা পাউখুম অমা পীরক্নবা খঙহনখি।

মমাঙ চয়োলদা এপেক্স কোর্টনা বাইওপিক অদু য়েংলগা অথুবা মতমদা রিপোর্ট পীশিল্লক্নবা ইলেক্সন কম্মিসনদা খঙহনখিবনি। ইলেক্সন কম্মিসননা ফিল্ম রিলিজ তৌহনখিদবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা এপেক্স কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখিবা রিপোর্টতা ইলেক্সন কম্মিসনননা নরেন্দ্র মোদিগী বাইওপিক রিলিজ তৌহন্নিংদবগী মত পীখি হায়রি।

এপ্রিল ১০দা কম্মিসনননা থোকখিবা য়াথং অমনা হায়খিবদি মদুদি তাঙ্কক তরেৎ থোক্না পাঙথোক্লিবা মীখল অসিদা ইথিল পীরকপা য়াবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎহল্লোইদবনি। মীখল মতম ওইবনা প্রাইম মিনিষ্টরগী পুন্সি ৱারীদা যুম্ফম ওইবা ফিল্ম রিজিল তৌবনা ভোট খোন্বা ওইনা থোকপা য়াই হায়নসু কম্মিসনননা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি প্রাইম মিনিষ্টরগী বাইওপিক অসি এপ্রিল ১২দা রিলিজ তৌনবা থৌরাং লৌখৎলম্বনি। সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না এপ্রিল ১৭তা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎতুনা ফিল্ম অসি কাপ্তুনা উৎখিবদা ইলেক্সন কম্মিসনননা পীরকপা মত তাবদা নরেন্দ্র মোদিগী শক্তম লাংলিবা বিবেক ওবেরোইনা হরাওবা ফোঙদোকখি।

পাউ মীশিংগা উন্নখিবা অমদা ওবেরোইনা হায়খি হৌজিকমক্কী ওইনা ইলেক্সন কম্মিসনননা পীরকপা মত অদু মীয়ামদা খঙহনবা মতম চাদ্রি। অদুম ওইনমক ফিল্ম অসিগী মতাংদা কম্মিসনননা খল্লম্বা ৱাখলদগী তাইওন্নরে হায়বা ফাওবদি চপ চানা খঙবা ঙম্লে। হৌখিবা ইরাইনুমিৎতা চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হিরম অসিগী মতাংদা হিয়রিং চথুবা হৌখ্রবনি।






# বোম পোকখায়খ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দনা শ্রিলঙ্কাগা লোন্নবা ঈশিংগী ঙমখৈদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী)ঃ**
শ্রিলঙ্কাদা ঙরাং বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দনা লৈবাক অনীগী লোন্নবা ঈশিংগী ঙমখৈদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

এটেক চথখিবদা শরুক য়াবা মীওইশিং চঙশিল্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী পাক ষ্ট্রেটতা তোইনা পেট্রোলিং চৎতুনা কোষ্ট গার্দকী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়না সোর্ছ অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোরক্লি।

শ্রীলঙ্কাগী কেপিটেল সিটি কলম্বো অমসুং অতৈ মফম খরদা বোম পোকখায়হন্দুনা মীওই ২৯০ হেন্না শীহনখিবদা চেন্নবা মীওইশিং ঙমখৈ লাম্থোক্লগা ইন্দিয়াদা চেনশিল্লকপা য়াই হায়না চীংনরি।

শ্রীলঙ্কাগী চর্চ অমদি হোটেল খরদা চথুরকখিবা এটেক অদুদা সুইসাইদ বোম্মর ৭ চেন্নরম্বা য়াই হায়না ইন্টিলিজেন্সকী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। হিরম অসিগী মতাংদা শ্রীলঙ্কাগী মিনিষ্টর রজিতা সেনরোতনিনা হায়খি এটেক চথুরকখিবা মীওইশিং অদু নেসনল টৌহিদ জমাথকী মেম্বরশিং ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

শ্রীলঙ্কানা অতোঙান-তোঙানবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক ৮ থোকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ায়াওনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিননা হিরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ানা পাঙবা য়াবা মতেং পাঙগনি হায়না লাউথোকখি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই ২৯০ রোমগী মনুংদা ইন্দিয়ন অমদি মপান লৈবাক্কী মীওই কয়ামরুম য়াওরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। চপ চাবা ৱাফম খঙদোক্লবা ইন্দিয়ন হায় কম্মিসনননা কুপ্পা ফিভম য়েংশিনবা হোৎনরি।

চৈরকসিদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা কলম্বোদা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা কর্ফ্যিগী অথিংবা থমখি। কলম্বোদগী প্লেন তোংলগা অতোপ্পা মফমদা চৎগদবা মীওইশিং মতম খরা ঙনখৎনা এয়রপোর্টতা থুংননবা খঙহনখি। কলম্বোগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মরম্না চথোকচৎশিনদা খুদোংচারোইদবা মরমনা এয়রপোর্টতা মতম খরা ঙনখৎনা থুংলনবা খঙহনখিবনি।

এটেক চথুরকখিবা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎলগনি হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিংহেনা হায়খি মদুদি মাংজেৎননা ইন্টেলিজেন্সকী রিপোর্ট ফংখিবা তারবসু মতিক চাবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ঙমহৌদবনি।




# মোদিগী চোপ্পর চেক তৌরুবগী সস্পেন্দ তৌখ্রবা ওফিসর করনাটাকাদা হলহনখ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী)ঃ**
ওরিষাগী সম্বলপুরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী হেলিকোপ্টর চেক তৌরুবগীদমক সস্পেন্দ তৌখ্রবা ইলেক্সন কম্মিসনগী জেনরেল ওবজা-র্বর মুহম্মদ মোহসিন করনাটাকাদা হলহনখ্রে।

স্পেসল প্রোটেক্সন গ্রুপ (এস পি জি)না ঙাক শেল্লিবা মীওইশিং চেক তৌবা য়াদে হায়বা কাংলোন ঙাক্না চৎখিদে হায়বগীদমক মমাঙ চয়োলদা আই এ এস ওফিসর অসি সস্পেন্দ তৌখিবনি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইলেক্সন কম্মিসনননা থোকখিবা য়াথং অমনা হায়খি মদুদি কম্মিসনগী য়াথং থৌশাদবা মরম্না ওবজার্বর অসিবু খুদক্তা থবক্তুগী লৌথোক্লে।

এসপিজিনা ঙাক শেল্লিবা মীওইশিং চেক তৌবা য়াদে হায়বা ৱাফম মাংজেৎননা খঙহনখ্রবসু ওবজার্বর অসিনা প্রাইম মিনিষ্টরগী হেলিকোপ্টরদা চেক থৌরাং লৌখৎলুবনি। কুমজা ১৯৯৬ বেটচকী আই এ এস ওফিসর অসি সম্বলপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুতি কম্মিস্নর অমসুং উট্টর প্রদেশকী দেপ্যুতি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসনা পীরকপা রিপোর্টতা যুম্ফম ওইরগা ইলেক্সন কম্মিসনননা সস্পেন্দ তৌখিবনি।

আই এ এস ওফিসর অসিনা প্রাইম মিনিষ্টরগী হেলিকোপ্টরদা চেক তৌনবা থৌরাং লৌখৎলুবনা মরম ওইরগা নুমিৎ অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎতা মিনট ১৫ রোম থেংথহনখি হায়রি।

# বাবুল সুপ্রিয়োগী মথক্তা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী)ঃ**
ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট ঙাক্না চৎতে হায়বগীদমক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর বাবুল সুপ্রিয়োগী মথক্তা ইলেক্সন কম্মিসনা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসনা অয়াবা পীখিদ্রবা ঈশৈ ময়েক অমা অসানসোল পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা বাবুল সুপ্রিয়োনা খোঙদুনা মীয়াম তাহনখি হায়বগীদমক এফ আই আর লৌখৎখিবনি।

মীখলগী রেল্লি অমা ভিদিও রেকোর্দিং তৌরিবা ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসল অমনা পায়রকপা কেমেরা মুনখি হায়বগী মতাংদসু বি জে পিগী লুচিংবা অসিগী মথক্তা অতোপ্পা এফ আই আর অমসুং রেজিষ্টর তৌখি। মমাঙ থাদা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট ঙাক্না চৎখিদবগা মরী লৈননা বাবুল সুপ্রিয়োদা ইলেক্সন কম্মিসনননা সো কোজ নোটিস থাবা লৈখ্রবনি। মতমদুদা বি জে পিগী ইলেক্সন কেম্পেইন কুপ্পা য়েংশিল্লি হায়না কম্মিসনননা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ানা কোংগ্রেসতগী নিং-তম্লবা মতুংদা লাইরবা কোকহনবা ঙমগনি ঃ রাজনাথ সিংহ

**বিকানর, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী)ঃ**
য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খ্রে মদুদি ইন্দিয়ানা কোংগ্রেসতগী নিং-তম্লবা মতুংদা লৈবাক অসিগী লাইরবা পুন্নমক কোকহনবা ঙল্লগনি।

মতম শাংনা লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা কোংগ্রেসনা শকখিবা ৱাশকশিং থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদনা ঙসি ফাওবা লৈবাক অসিদা লাইরবা মীওই মশিং য়াম্না লৈবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী লাইরবা অমদি অৱা-অনা পুন্নমক কোকহনবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

বিকানরগী কোলায়ততা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা হোম মিনিষ্টরনা হায়খি বলাকোটতা নোংথক্তগী এটেক চথুখিবগী মতাংদা মীওই কয়ানা ৱাহং হংলকপা থেংনরে। অর্মিনা লানফমদা লান শোক্নবা মতমদা য়েক্নবগী লান্মী কয়া য়াম্না হাৎলবগে হায়বগী মতাংদা মশিং থিবা তৌনদে।

টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরক্তুনা মমল য়াম্লবা লান্মী কয়াগী থৱায় মাংহনখিবগী লমন খুন্বা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সনা বলাকোটতা নোংথক্তগী এটেক চথুখিবনি। এটেক চথুখিবা মতমদা য়েক্নবগী লান্মী কয়া য়াম্না শীখ্রবগে হায়বা মশিং থিনবগী মতম লৈখিদে। খুদক্তা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা টেররিষ্টশিংদা মতিক চাবা পাউখুম পীখিবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরবু মীপুম খুদিংমক্না থাগৎফম থোকই।

# মুস্লিমমশিংনা বি জে পিদা ভোট পীরক্ত্রবসু পার্টিনা কাংলুপ অসিগী য়াইফনবা থবক তৌগনি ঃ বরুন গান্ধি

**পিলিভিট, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী)ঃ**
য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মনেকা গান্ধিনা মুস্লিমমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লুবগী ৱাথোক ওইনখ্রবা মতুংদা বি জে পিগী এম পি বরুন গান্ধিনা হায়খ্রে মদুদি করিগুম্বা মুস্লিমমশিংনা বি জে পিদা ভোট পীরক্ত্রবা তারবসু পার্টিনা কাংলুপ অসিগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎকনি।

উট্টর প্রদেশকী পিলিভিটতা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা বরুন গান্ধিনা হায়খি মুস্লিমমশিংনা ভোট পীরক্লবদি পার্টি অসিগী লুচিংবা পুন্নমক হায়নিংঙাই লৈতনা হরাওগনি। অদুবু করিগুম্বা কাংলুপ অসিগী মীওইশিংনা ভোট পীরক্তবা তারবসু পার্টিনা মখা তানা মুস্লিম কাংলুপকী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎখিগনি।

কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা বরুন গান্ধিনা সুলটানপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইখিবা তারবসু হন্দক্কী মীখল অসিদদি পিলিভিট কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইরি।

বরুন গান্ধিনাগী অপোকপী নেকা গান্ধিনা সুলটানপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরি।

পনবা য়াবদি, এপ্রিল ১২দা মীখলগা মরী লৈননা সুলটানপুরদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মনেকা গান্ধিনানা হায়খিবনি মদুদি করিগুম্বা মুস্লিমশিংনা ভোট পীরক্তবা তারবসু হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পিনা শোইদনা মায় পাক্লনি হায়বগী থাজবা লৈরে। মায় পাকপা তারবসু মুস্লিমমশিংনা পুখৎলকপা ৱাফম অমত্তা থৌশরোই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমগা ওইরগা কাংলুপ নাইবা ৱাফম ঙাংই হায়বগীদমক মনেকা গান্ধিনাগী মফমদা মায়কৈ কয়াদগী অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি।



# ভি ভি আই পি চোপ্পর কেসতা চেন্নবা দিফেন্স এজেন্টকী জুদিসল কষ্টদি মে ৩ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে

**ন্যুদিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী)ঃ**
অগষ্টা ৱেষ্টলেন্দ ভি ভি আই পি চোপ্পা স্কেম কেসতা চেন্নবনি হায়বা দিফেন্সকী এজেন্ট সুসেন মোহন গুপ্তবু জুদিসল কষ্টদিদা থম্বগী মতম মে ৩ ফাওবা শাংদোকহন্নবা দিল্লিগী কোর্ট অমনা ৱায়েল পীখ্রে।

ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্টকী মখাদা ফাখিবা সুসেন মোহন গুপ্তবু স্পেসল জজ অর্বিন্দ কুমারনা মে ৩ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা থম্নবা য়াথং পীখি। দিফেন্সকী এজেন্ট অসিনা বেল পীবিনবা হায়জরকপদা কোর্টনা অয়াবা পীখিদে।

রজিব সকসেনা কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপা ৱাফমদা যুম্ফম ওইরগা অগষ্টা ৱেষ্টলেন্দগী হেলিকোপ্টর লৈবদা অরানবা থৌওং চথখিবদা সুসেন মোহন গুপ্ত চেন্নে হায়বা খঙনরকখিবনি। হেলিকোপ্টর লৈবা য়োনবগা মরী লৈননা সুসেন মোহন গুপ্তদা লুপা ক্রোর ৩,৬০০গী চে-চাং কয়ামরুম লৈ হায়না থাজনরি।

মমাঙদা গুপ্তনা বেল পিবিনবা হায়জরকপদা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। স্পেসল জজ অর্বিন্দ কুমারগী কোর্টতা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা হায়খি মদুদি বিজয় মাল্যা অমসুং নিরব মোদিনচিংবা মীওই কয়া লৈবাকথাদোক্তুনা চেনখিবগুম সুসেন মোহন গুপ্তসু অতোপ্পা লৈবাক অমদা চেনখিবা য়াই।

ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী মায়কৈদা লেপখিবা সঙ্গেদনা বর্মনা কোর্টতা হায়খি হৌজিক হৌজিক ভি ভি আই পি চোপ্পর স্কেমগী মতাংদা থিগৎপা হৌবদা ঙাইহরিবা মরম্না কেস অসিদা চেন্নবা মীওই অমত্তা বেল পীফম থোক্তে। সেসেন গুপ্তনা লৈবাক থাদোক্তুনা চেনখ্রবদি অকুপ্পা ৱারোল কয়ামরুম খঙবা ঙমদবগী ফিভমদা লাকপা য়াই।

